HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ





সাহিত্য সেবা সম্মিটি কক্চীংগী ৫৪শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা খোরিরোলগী তোঙান তোঙানবা মনাশিং লান্থোক্তুনা ক্ষেত্রি চাওবা ত্রান্সলেসন এৱার্দ সলাম তোম্বদা খুৎশিন্নখিবা


ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল ফোঙখ্রে
☛ লামায় ৫

ময়ায় লম্বী তঙ্খাই থিংজিল্লগা পেন্দবা খোল্লাউ লাউগনি
☛ লামায় ৩

মপোক নুমিৎ পাঙথোক্তুনা খোরিরোলগী মনাশিং লান্থোকখ্রে
☛ লামায় ৩

হকশেলগী পাউজেল লাইভ ফোন-ইন প্রোগ্রাম
☛ লামায় ৫


জোইন্ট সী ঈ ও রমানন্দ নোংমৈকাপ্পমনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী ইন্টিগ্রেটেদ ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল ফোঙলে হায়না লাউথোকখিবা





Vol. 44, Issue No. 289 | থাংজ, ৱাক্চিংগী ৩ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, January 16, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL Poll

Q: Manipurgi mapandagi poultry productsing pusillakpada athingba thamlibasi louthokhanningbagi apamba leibra ?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Manipurda road accident thokpagi chang hanthahannaba leingakki mari leinaba authorityna matik chaba thabak paikhatli khanbara?

Yes 0% No 100%


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা


**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২৬.৭৯ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৫.০৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪৮

## অস! লোইরেহে!




সী এমনা কামজোংদা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, প্রোজেক্ট কয়ানা উরেপ উয়ুং তমখ্রে

# জন্যুৱারী ২৭তগী স্কুল অমসুং কোলেজশিং হাংননবা কেবিনেট মীফমনা লেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা গো টু হিল মিসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংনা কামজোংদা চৎতুনা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, প্রোজেক্ট কয়ানা উরেপ উয়ুং তমখ্রে। কামজোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা কেবিনেট মীফমসু পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৭তগী স্কুল অমদি কোলেজশিং হাংহন্ননবা লেপ্পখ্রে।



ইম্ফালদগী হেলিকোপ্টর তোংদুনা চৎলবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা কামজোং পব্লিক গ্রাউন্দদা থুংখি। চীফ মিনিষ্টরনা মফম অদুদা হেক থুংবগা মীয়াম্না তরাম্না ওকখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা নম্বাসি, নম্পীসা অমসুং গেমনোম ভিলেজদা নৌনা শাবা ৩৩/১১ কে ভি সব ষ্টেসনশিং, কামজোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী টেম্পররি ওফিস, কামজোং হায় স্কুলদা স্কুল ফগৎহনসি মিসন, জল জিবনগী মখাদা লাইরমখুলেন অমসুং খোংজালদা ৱাটর সপ্লাইগী শেমজিন শাজিনখিবশিং, কামজোং ফোরেষ্ট দিভিজন ওফিস কমপ্লেক্স, নম্পীসাদা বি এ দি পিগী মখাদা মোদেল ভিলেজ শেমগৎ শাগৎখিবশিং, রমলৈদা পায়খৎখিবা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিং প্রোজেক্ট, চসাদ ভিলেজগী রিহেবিলিটেসন হাওসশিং, ফুংয়ার পি এস সীগী বেরেক টাইপ ক্বার্টর অমসুং হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর, ৱান ষ্টোপ সেন্টর, পি ঐচ সী কসোম খুলেনগী ইন্সটিট্যুসনেল বিল্ডিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পা ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌদোক্লগনি। মণিপুরগী ওইনসু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পা হয়েং অয়ূক পুং ১১ তারকপা মতমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোক্কনি।

ষ্টেটকী থাক্তা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা অহানবা ওইনা জে নিমস হোস্পিটালদা হৌদোক্কদৌরিবা অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীফ গেষ্ট অমসুং এদভাইজর টু সী এম (হেল্থ) ডা. সাপম রঞ্জননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি। ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসি তোঙান তোঙানবা সেন্টর ১০দা অহানবগী ওইনা কাপকনি। মসিগীদমক মরী লৈনবশিং শেম শাবগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

## কিংফিশর এয়রলাইন্সকী ষ্টাফ ওইরম্বা ১ কোর্টনা মচিন হংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস): ঙসিদগীনা চহী ৮ লোমগী মমাঙ জন্যুৱারী ১১, ২০১৩গী নুংথিলদা মতম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈরমখিবা স্পেশল ইন্টলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু)গী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী য়াম্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাগৎখিবা কেসকী চত্থরক্লিবা ৱায়েলদা কিংফিশর এয়রলাইন্সতা থবক তৌরম্বা মীওই অমগী ষ্টেটমেন্ট কোর্টনা লৌখ্রে।

**এয়রপোর্ট দ্রগ কেস**

থৌদোক অদুগী মতাংদা অহানবদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫গী সেক্সন ৯ এ/২৫ এ/২৯গী মখাদা কেস এফ আই ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## মরোল থোকপা লাই/








HL-B/6690/10th Jan. to 9th Feb.






HL-B/6708/16